# ইন্দোনেসিয়াদা য়ুহা হাবদা য়ামদ্রবদা মীওই ৩৫ শিরে অতৈ মীওই চা কয়া শোক্লে



জকার্টা, জন্যুৱারী ১৫ (এজেন্সী) :
ইন্দোনেসিয়াদা ইরাই নুমিত্তা থোকখিবা অকনবা য়ুহা হাবগী থৌদোক অমদা লৈবাক অসিগী সুলাৱেসি ঈথৎতা য়ামদ্রবদা মীওই ৩৫ শিখ্রে অমসুং অতৈ মীওই চা কয়া অশোক অপন নঙখ্রে। মীওই কয়া অমা অকাই অতোই নংলবা বিল্ডিংশিংগী মনুংদগী থোকপা য়াদনা লৈরি।

অফটরসোক কয়া পরিং নাইনা থোক্লকখিবগা লোয়ননা মখা তানা য়ুহা হাদুনা, সুনামি ফাওবা থোক্লকপা য়াই হায়না ওথোরিটিশিংনা ৱার্নিং তৌখ্রে। হৌখিবা অহিংগী নোংয়াই মতুং পুং অমা মখায় তারমদাইদা মজেনে টাউনগী অৱাংনোংপোক্লোমদা কিলোমিটর ৬ লোম লাপ্পা অমসুং কিলোমিটর ১০ লুথনা মেগনিট্যুদ ৬.২ য়ৌনা য়ুহা হারকখিবদা মীপায়নরবা মীওই লীশিং কয়া ময়ুম ময়ুমদগী চেন্থোক্লকখি।

য়ুহা হাবা অদুগা লোয়ননা মখা তানা অফটরসোকশিংনা য়ুম ৩০০ হেন্না অমসুং হোটেল অনীগা লোয়ননা হোস্পিটাল অমা অমসুং রিজনেল গভর্ণর অমগী ওফিস অমাং অতা থোকখি। অমাং অতা থোক্লবা জিনেল গভর্ণরগী ওফিসতা মীওই কয়া অকাই অতোই মরক্তগী থোক্লকপা য়াদনা লৈরি হায়না ওথোরিটিশিংনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

ৱেষ্ট সুলাৱেসিদা লৈবা দিজাষ্টর এজেন্সিগী চীফ দার্নো মাজিদনা ফোঙদোকখিবদা মাজনে অমসুং থংনবা দিষ্ট্রিক্ট মামুজুদা মীওই ৩৫ শিখ্রে। মী থিবা অমসুং কনবগী থবক কনখৎলকপগা লোয়ননা অশিবশিংগী মশীং হেনগৎলকপা য়াই হায়খি।

য়ুহা হাবা অদুনা লেন্দস্লাইদ অহুম থোকহনবগা লোয়ননা মৈ পীবগী থবক্তা অকায়বা পীখি অমসুং মকাসার সিটিগুম্বা রিজনেল হবশিংগা শম্নবা থোং কয়া অমাং অতা থোকহনখি। নেস্নেল দিজাষ্টর মিটিগেসন এজেন্সিনা ঙন্না পীরকপা পাউগী মতুং ইন্না মাজেনেদা মীওই ৬৩৭ অশোক অপন নঙখি অমসুং মামুজুদা মীওই ২০ হেন্না শোকখি।

সুনামিগী ৱার্নিং পীবা লৈখিদ্রবসু অফটরসোক কয়াগী মতুং অতোপ্পা মতিক ময়াই লৈরবা য়ুহা হাবা অমসু থোক্লক্তুনা সুনামি থোকহল্লকপা য়াই হায়না ইন্দোনেসিয়াগী মিটিওরোলেজি এন্দ জিওফিজিক্স এজেন্সি (বি এম কে জি) গী মকোক দ্বিকোরিটা কার্নাৱাটিনা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা ফোঙদোকখি।

মহাক্কী মতুং ইন্না য়ামদ্রবদা অফটরসোক ২৬ থোকখি অমসুং ইরাইনুমিৎকী থৌদোক অসিগী মমাংদা শগোলশেন নুমিত্তসু মেগনিট্যুদ ৫.৯ য়ৌনা য়ুহা হাখি। সোসল মীদিয়াদা থাগৎপা ভিদিওশিংদা মীওই কয়ানা মোটোরসাইকল তোংদুনা অৱাংবা মফমশিংদা চেন্নবা উখি। য়ুহা হাবদা মীওই কয়া লৈখিদবা অদুদা প্রসিদেন্ট জোকো ৱিদোদোনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

# অনৌবা কোভিদ-১৯ ষ্ট্রেনশিংনা অফ্রিকাগী হেল্থ সিষ্টেমদা অকিবা পীরে : দব্লিউ ঐচ ও




*নাইরোবি, জন্যুৱারী ১৫ (এজেন্সী) :*
*অফ্রিকাগী লৈবাক কয়াদা থেংনরিবা অনৌবা কোভিদ-১৯ ভেরিএন্টশিংনা পেন্দমিক লাকশিন্নবা পায়খৎলিবা থবকশিংদা শাফু অমা পীরক্তুনা কন্টিনেন্ট অসিগী সিষ্টেমদা অকিবা পীবা য়াই হায়না ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিউ ঐচ ও) গী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।*

*দব্লিউ ঐচ ওগী রিজনেল দিরেক্টর ফোর অফ্রিকা মাটসিদিগো মোইটিনা শগোলশেন নুমিত্তা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি মদুদি কোরোনা ভাইরসকী অনৌবা ষ্ট্রেনশিং শন্দোরক্লিবা অদুনা কন্টিনেন্ট অদুগী পব্লিক হেল্থ সিষ্টেমশিংদা প্রেসর পীবা লৈহন্দনবগীদমক্তা লায়চৎ হন্থহন্নবগী অকনবা থৌরাংশিং পায়খৎকদবনি।*

*অনৌবা ভেরিএন্ট অদু হান্নগী ষ্ট্রেনশিংদগী হেন্না শাথিবা নত্রবসু লৌনগনবগী চাং ৱাংবনা হান্নদগী ৱারবা হোস্পিটালশিং অমসুং হেল্থ ৱার্করশিংদা অহেনবা পোৎলুম পীশিনগনি হায়না মোইটিনা ফোঙদোকখি।*

*অনৌবা ম্যুটেসনশিং থেংনবগা লোয়ননা কনটেনমেন্টগী থৌরাংশিং কোমথোকপগী ইনফেক্সন হেনগৎলকপগী ফীভম অমা লাক্লিবদু য়েংলগা অফ্রিকাদা কোরোনা ভাইরস শন্দোকপগী চাং নেমথহন্নবা অহেনবা থৌরাং কয়া লৌখৎপা চঙই হায়না মহাক্না মখা তাখি।*

*অফ্রিকা সেন্টর্স ফোর দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সনগী মতুং ইন্না, কন্টেন্ট অসিগী কোভিদ-১৯ কেসলোদ মিল্লিয়ন ৩.১৪ য়ৌরে অমসুং লায়না অসিনা শিহনবা মী মশীং ৭৫,৯০৯৯ শুরে। কন্টিনেন্ট অসিদা কুমজা ২০২০ গী দিসেম্বর অথেংবদগী চাংচৎতা অনৌবা কেস ২৫,০০০ নুংতিগী থেংনখি। লম চখোক চৎশিনগী থবকশিং কনখৎলকপা অমসুং কুম্মৈগী সিজন ওইবনা ইমুং মনুংশিং পুনবগী চাং হেনগৎলকপদগী লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা ইনফেক্সন হেনগৎলকপা য়ারি।*

*সাউথ অফ্রিকা, নাইজিরিয়া, গম্বীয়া, জম্বীয়া অমসুং বোটস্বানাদা অনৌবা কোভিদ-১৯ ভেরিএন্টশিং থেংনরে। মখোয়গী জিনেটিক মেক-অপ সিক্বেন্সিং তৌবা অসিনা অনাবশিংদা থেংনরিবা লায়না শাথিবগী চাংগী মরমদা কুপ্পা খঙবা ঙম্লগনি হায়না মোইটিনা ফোঙদোকখি।*

*অনৌবা কোভিদ-১৯ ভেরিএন্টশিং হেক থেংনবগা লাকশিনবা ঙম্নবা ঐখোয়না কন্টিনেন্ট অসিগী লৈবাকশিংদা টেষ্টিং অমসুং সিক্বেন্সিংগী থবক কনশিনগদবনি। লোয়ননা অফ্রিকাদা কোরোনা ভাইরসকী অনৌবা ভেরিএন্টশিং থেংনরিবসিগী য়েংদুনা খুৎ তোয়না হাম্বা, ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং অমসুং মাস্ক উপ্পগুম্বা মীয়ামগী হকশেলগী কাংলোনশিং অসি কন্টিনেন্ট অসিগী মীয়াম্না ইনগদবনি হায়না মোইটিনা ফোঙদোকখি।*

# ইরাননা অহানবা ওইনা মরমদা শাবা সবমেরিনদগী টৌর্পিদো কয়া কাপখ্রে



টেহরান, জন্যুৱারী ১৫ (এজেন্সী) :
ইরানগী খা থংবা সমুদ্রগী শরুক্তা চাওনা পাঙথোকখিবা দ্রিলগী নীনিচনবা শগোলশেন নুমিত্তা লৈবাক অসিগী নেভেল ফোর্সনা হোম মেদ ফাটেহ (কঙ্করর) ক্লাস সবমেরিনদগী টৌর্পিদো কয়া কাপখিবগা লোয়ননা সমুদ্র মপান অমসুং ভেসেলশিংদগী ক্রুইজ মিসাইলশিংসু কাপখ্রে।

ইরাননা মশানা শাজবা সবমেরিন অমদগী টৌর্পিদোশিং কাপ্পসি মসিনা অহানবনি। কোদনেমদা ইবাটৈদর-ঈ দায়ায়ি (নেভেল ষ্ট্রেংথ) ৯৯ কৌবা সী ওফ ওমানদা পাঙথোক্লিবা অচৌবা মিলিটরি দ্রিল অদুগী অরোইবা তাঙ্কক মনুং শগোলশেন নুমিত্তা কাপখিবা ক্রুইজ মিসাইলশিং অমসুং টৌর্পিদোশিং মোক টার্গেটশিংদা মায় পাক্লা পানখি।

চৈরকসিদা মেনুভর অমগী স্পোক্সমেন ওইরিবা দেপ্যুটি নেভি কম্মান্দর ফোর কোওর্দিনেসন হমজেহ-অলি কাভিয়ানিনা ইরানগী ঈশিংগী বোর্দরশিংদা নারোন্দগী হায়জিল্লক্লবা হোৎনরিবশিংদা ৱার্নিং তৌখ্রে।

ইরানিয়ন অর্মীগী পব্লিক রিলেসন্স ওফিসনা থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না, মিলিটরি দ্রিল পাঙথোক্লিঙৈ মনুংদা মফম অদুদা নকশিল্লকখিবা মপানগী সবমেরিন অমা দিটেক্ট তৌখি। ঈশিং মনুংগী ইনক্রুদর অদু হেলিকোপ্টরশিংনা মতম চানা মোনিটর তৌখি অমসুং ৱার্নিং পীখ্রবা মতুংদা মফমদু থাদোকখি।

দ্রিল অদুদা লোকেল মীদিয়ানা ইরানগী খ্বাইদগী চাওবা মিলিটরি ভেসেলনি হায়না শীংথারিবা মাক্রান ফোরৱার্দ বেজ জহাজ অমসুং মিসাইল কাপ্পা য়াবা ফ্রিগেট জেরেহ য়াওখি।

# ইরান অমসুং গল্ফ লৈবাকশিং ৱারী শান্নবগী খুদোংচাবা ফঙহন্দনবা য়ু এসনা হোৎনরে

মোস্কো, জন্যুৱারী ১৫ (এজেন্সী) :
ইরান অমসুং পর্সিয়ান গল্ফ লৈবাকশিংগী মরক্তা ৱারী শানবগী খুদোংচাবা লৈহন্দনবা য়ু এসনা অঙম্বা থাক্তা হোৎনরি হায়না রশিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টযর সর্গি লাভরোভনা ফোঙদোকখ্রে।

ইরান অমসুং গল্ফকী অরব লৈবাকশিংনা মহৌশাগুম্না অমগা অমগা ৱারী শান্নবা, থাজনবা হেনগৎহন্নবগী এগ্রিমেন্ট কয়া খুৎয়েক পীনবা মিলিটরিগী এফিয়র্সতা ট্রান্সপরেন্সি লৈহনবা অমসুং কোওপরেসন হেনগৎহনবা হায়বসি রশিয়াগী অপাম্বনি হায়না লাভরোভনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি।

নাভরোভনা মখা তানা হায়খি মদুদি য়ু এসকী কোলিগশিংনা মরু ওইনা হৌজিক্কী এদমিনিষ্ট্রেসন অসিনা গল্ফ ষ্টেটমেন্টশিংগী মরক্তা ৱারী শানবা থিংনবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনদুনা লাক্লি। রশিয়াগী মায়কৈদগী পর্সিয়ান গল্ফ লমদমগী কলেক্টিভ সিক্যুরিটি কন্সেপ্ট হৌদোক্লিবা অসি ইরান অমসুং গল্ফ ষ্টেটশিংগী মরক্তা ৱারী শান্নবগী থবক লৌখৎপা ওইননি। অসুম্না হোৎনরিবসিদা য়ৈখাই থিনগাইবা পীবা থবকশিং পায়খত্তবা হায়বসি য়াম্না মরু ওই হায়না ফোরেন মিনিষ্টরনা মখা তাখি।

# বোম য়াওবা দ্রোন অহুম কোলিসননা লম্মখাংদা কাপথখ্রে

রিয়াধ, জন্যুৱারী ১৫ (এজেন্সী) :
হৌথি মিলিস্যা কাঙবুনা সাউদি অরবিয়াদা থাজিল্লকখিবা বোম য়াওবা দ্রোন কয়া কিংদম অসিনা লুচিংবা য়েমেনদা লৈবা কোলিসননা ইরাই নুমিত্তা কাপথখ্রে।

কোলিসনগী স্পোক্সপার্সন বৃগেদিয়র জেনরেল টর্কি অল মালিকিনা হায়খি মদুদি, দ্রোনশিং অদু য়েমেনগী সিটি অল হুদেদাহদগী লোঞ্চ তৌরকখিবনি অমসুং দ্রোন পূম্নমক মখোয়গী তার্গেটশিং য়ৌদ্রিঙৈদা থুগাইখি। ইন্টরনেস্নেল হ্যুমেনিটরিয়ন লো ঙাক্লবা অসিগুম্বা এটেকশিং থেংননবা কোলিসননা চুনবা থৌরাংশিং শৌগৎপনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

স্পোক্সপার্সন অসিনা মখা তারদুনা মপুং ফাবা পোলিটিকেল সোল্যুসন অমা পুরকপা য়ানবা য়েমেনগী ৱাথোক্কা মরী লৈনবা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী সেক্রেটরি জেনরেলগী অখন্নবা এনভোইনা হোৎনরিবশিং শৌগৎকনি হায়নসু ফোঙদোকখি। কুমজা ২০১৫ দা য়েমেনদা লাল হৌখিবদগী হৌথি মিস্যান সাউদি অরবিয়াদা মরু ওইনা বোর্দরগী সিটিশিংদা মিসাইলশিং অমসুং বোম য়াওবা দ্রোনশিং শীজিন্নদুনা টার্গেট তৌদুনা লাকখি। এটেক অয়াম্বা কোলিসন্না মায় পাকহনখিদে। য়েমেনদা কোলিসননা প্রসিদেন্ট অবদ-রাবু মনসুর হাদি শৌগত্তুনা হৌথিশিংগা শোক্লরকপা লাল মার্চতা চহী তরুক মপুং ফারগনি।

হৌখিবা চয়োলদা য়েমেনগী মালেমনা শকখঙবা গভর্ণমেন্টনা ইন্টনেস্নেল কম্যুনিটি অমসুং হ্যুমেন রাইটস ওর্গনাইজেসনশিংদা হৌথি মিলিস্যা কাঙবুনা চথুদুনা লাকপা ৱার ক্রাইমশিংগী মতাংদা ময়েক শেংবা ফিরেপ অমা লৌননবা আপীল তৌখিবনি। ইরাই নুমিত্তা হৌথিশিংনা খুঙ্গং অনী লাঙ্গৌই চন্দুনা থম্বগা লোয়ননা অঙাং অমা য়াওনা মীচম মরি হাৎখ্রবা মতুংদা আপীল অসি তৌখিবনি।

# ফ্রান্সনা নন-ঈয়ু ট্রাভেলরশিংগী কোভিদ-১৯ টেষ্টকী রুলশিং কনশিনহনখ্রে

পেরিস, জন্যুৱারী ১৫ (এজেন্সী) :
নন-ঈয়ু লৈবাকশিংদগী লাকপা মীওইশিংনা ইরাই লাইনা অমসুং থুনা পাঙথোকপা য়াবা কোভিদ-১৯ টেষ্টনা পীবা নেগেটিভ রিজল্ট চৎলগা ফ্রান্সতা চঙলকপা য়াররোই হায়না লৈবাক অসিনা লাউথোকখ্রে।

থা অসিগী ১৮ দগী চৎনবা হৌগদৌরিবা ফ্রেঞ্চ গভর্ণমেন্টগী দোক্যুমেন্ট অমদা য়াওবা অনৌবা রুলশিংনা হায়, হৌজিক মীয়াম্না মিনিট খরগী মনুংদা রিজল্ট পীবা এন্টিজেন নৎত্রগা লেটরেল ফ্লো টেষ্টশিং শীজিন্নবা য়াররোই।

অথুবা টেষ্টশিং অদু মরু ওইনা বৃটেন অমসুং ফ্রান্সকী মরক্তা লৈরিবা চেন্নেল লান্না পোৎ চৈশিং হোন্দোক হোঞ্জিন তৌরিবা ট্রক দ্রাইভরশিংনা তোয়না শীজিন্নৈ। হৌজিক চয়োল কয়া অসিদা ফ্রান্সনা বৃটেনদগী লৈবাক অসিদা চঙলক্লিবা মীওইশিংবু মখোয় কোভিদ-১৯ ইনফেক্সন লৈতে হায়বসি উৎহনখি।

বৃটেননা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন থাদোকখিবদগী চৈথেং নংলবা চেন্নেল লান্না পোৎ চৈশিং পুথোক পুশিন তৌবগী থবক্তা অনৌবা টেষ্টিং রুলশিং অদুনা করি চৈথেং পীরক্কদগে হায়বসি খঙবা ঙমদ্রি।

পোৎ চৈ পুথোক পুশিন তৌরিবশিংনা লেটরেল ফ্লো টেষ্টশিং শীজিন্নবা য়াগনি হায়না বৃটিশ ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর গ্রান্ট সাপসনা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখিবনি।

ফ্রেঞ্চ গভর্ণমেন্টগী গাইদ-লাইনশিং অদুদা ট্রকরশিং কোমথোকপগী ৱাফম পনখিদে। করিগুম্বা লেটরেল ফ্লো নৎত্রগা এন্টিজেন টেষ্টশিং য়াহন্দবা তারবদি ট্রাভেলরশিংনা পি সী আর টেষ্ট তৌবা তারি। রিজল্ট লৌবদা নুমিৎ কয়ানি চঙবগা লোয়ননা টেষ্ট তৌবগী মেদিকেল গ্রাউন্দ লৈতবা মীওইশিংনা পি সী আর টেষ্টশিং লায়না তৌবা য়াবগী খুদোংচাবসু ফঙবা ৱাবা য়াই।

# কেপিটোলদা থোমজিনবদা য়াওখিবা নুপা অমনা ট্রম্পতা ঙাকপীনবা হায়জখ্রে

ৱাশিংটন, জন্যুৱারী ১৫ (এজেন্সী) :
থা অসিগী ৬ তা ৱাশিংটন দি সীদা লৈবা য়ু এসকী কোপিটোল বিল্ডিংদা থোমজিনখিবদা য়াওখিবা নুপা অমনা ওফিস থাদোক্লগদবা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পতা মহাকপু ঙাকপীনবা হায়জখ্রে।

নুপা অদু মমাইদা অঙাংবা অমসুং হিগোক মচু তৈশিনবগা লোয়ননা মচি য়াওবা ফরগী টুপি উপ্পগা ঈরাং অদুদা য়াওখিবনি। মীয়াম্না ঈরাং হৌরকখিবগা লোয়ননা ক্যুঅনোন সেমান হায়নসু খঙনবা জেকোব এন্থোনি চান্সলি কৌবা মীওই অদুগী শক্তমশিং ইন্টরনেটতা ভাইরেল ওইরকখি।



ট্রম্পনা নুমিত্তুগী অঙনবদা কেপিটোলগী মপানদা ৱা ঙাঙখিবদা থৌনা ফবা মরৈবাক নিংবা মীওইশিংনা কুমজা ২০২০ গী মীখলগী রিজল্টশিং য়াদনবা আপীল তৌখিবা মতুংদা মহাকপু শৌগৎপশিংনা ঈরাং হৌরকখিবনি।

হিল ন্যুজ ৱেবসাইটকী মতুং ইন্না চান্সলিনা জান্যুৱারী ৯ দা ওথোরিটিশিংদা সরেন্দর তৌখি। মহাক্না মায়োক্লরিবা চার্জশিংগী মনুংদা অথিংবা থম্বা বিল্ডিং নত্রগা লৈশিনবা, কা হেনবা থৌওং চথুদুনা চংবা অমসুং কেপিটোলগী গ্রাউন্দদা মওং মরিল তাদবা থৌওং কয়া উৎখিবা য়াওরি।

চান্সলিগী উকিল অলার্ট ৱাটকিন্সনা শগোলশেন নুমিত্তা লোকেল ন্যুজ আউটলেট অমদা ফোঙদোকখিবদা প্রসিদেন্ট অমনা হায়খিবা ৱাফমশিং অরেম্বা ওইফম থোক্তে।

জন্যুৱারী ৬ কী ভাইওলেন্স অদুদা চান্সলি য়াওখিদে। প্রসিদেন্টনা চঙজরক্লবা হায়খিবদা ঈংনা চিক্লা ইন্দুনা ঙাকপীনবা হায়জরিবা মীওইশিং শোয়দনা ঙাকপীগনি হায়বগী থাজবা লৈ।

## বাইদেননা রিলিফ প্রপোজেল উৎখ্রে

ৱাশিংটন, জন্যুৱারী ১৫ (এজেন্সী) :
য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী প্রসিদেন্ট ওইরগদবা জো বাইদেননা দোল্লর ট্রিল্লিয়ন ১.৯ গী কোভিদ-১৯ রিলিফ বিল উৎখ্রে। বিল অদুদা পেন্দমিক্কী চৈথেং নংলবা মীয়ামদা মখা তানা তেঙবাংগী শেনফম হকথেংননা পীবা, ষ্টেট অমসুং লোকেল গভর্ণমেন্টশিংদা মতেং পীবা, থবক ফঙদবগী বিনিফিট হেনগৎহনবা অমসুং ভেক্সিন টেষ্টিং অমদি য়েন্থোকপগী থবক্তা অহেনবা ফন্দিং পীবনচিংবা ৱাফমশিং য়াওরি।

শগোলশেন নুমিৎ নুমিদাংদা হোম ষ্টেট দেলৱ্যেরগী ৱিলমিংটনদা মীয়ামদা ৱা ঙাঙবদা পার্টি অনীমক্না এপ্রুভ তৌবা দোল্লর বিল্লিয়ন ৯০০ গী রিলিফ পেকেজ অদু অহানবা মরু ওইবা খোঙথাং অমনি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা বাইদেননা হায়খি, পার্টি অনীমক্কী সপোর্টকা লোয়ননা ঐখোয়না য়াম্না থুনা অহেনবা পায়খৎপা মথৌ তাই।

বাইদেনগী প্রপোজেল অদুদা শু নোল্লগা হিংবা ইমুংশিং মীওই অমদা দোল্লর ১,৪০০ গী চাংদা হকথেংননা শেলগী মতেং পীবা য়াওরি। দাইরেক্ট পেমেন্টশিং অসি দোল্লর বিল্লিয়ন ৯০০ গী রিলিফ পেকেজদা এপ্রুভ তৌখিবা দোল্লর ৬০০ গী চেকশিংগী মথক্তনি। মীওই অমদা পীবা রিলিফকী শেনফম দোল্লর ২০০০ য়ৌরগনি।

## স্পেসল কম্মিসন শেমখ্রে

কারকোস, জন্যুৱারী ১৫ (এজেন্সী) :
য়ু এসনা লুচিংদুনা থমখিবা অথিংবশিংনা থোকহনবা শেল থুমগী ক্রাইসিস লৈখাই তাথোক্লবগী পান্দমগা লোয়ননা ভেনিজ্যুএলাগী নেস্নেল এসেমব্লিনা দাইলোগ পিছ অমসুং নেস্নেল রিকোন্সিলিএসনগী স্পেসল কম্মিসন অমা শেমখ্রে।

কম্মিসনগী মেম্বরশিংদু লৈঙাক পায়রিবা কোলিসন অমসুং ওপোজিসন অনীমক্কী লেজিসলেটরশিংগী মরক্তগী খনবনি। নেস্নেল পার্লিয়ামেন্টকী পোলিটিকেল ফোর্স খুদিংমক স্পেসল কম্মিসন অসিদা য়াওহন্নবা হোৎনরি হায়না এসেমব্লি অমসুং কম্মিসন অনীমক্কী প্রসিদেন্ট জোর্জে রেদ্রিগিজনা শগোলশেন নুমিত্তা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি। রোদ্রিগিজনা মখা তানা হায়খি মদুদি কম্মিসন শেল্লিবদু লেজিসলেটরশিংনা মালেমগী লেজিলেটিভ বোদিশিংদা খঙহনগনি। মরু ওইনা ভেনিজ্যুএলাগী মায়োক্তা নাকল নাম্মগী ওইবা ৱারেপনা নমফুদা কাংলোন কয়া নমদুনা ইলহনবগী মতাংদা খঙহনগনি।

ভেনিজ্যুএলানশিংগী মায়োক্তা চৎনহল্লিবা অসিগুম্বা লোনা য়াদবা কাঙলোনশিং অসি কম্মিসন্না থেংনগনি। ৱার্কিং কোলিসননা মেজোরিটি ওইবা নেস্নেল এসেমব্লিগী অনৌবা মেম্বরশিং জন্যুৱারী ৫ দা ৱাশক লৌখি।

# ফন্দ পীবা হৌনবা য়ু এন রিলিফ এজেন্সিনা বাইদেন ওফিস কন্টেক্ট তৌখ্রে

গজা, জন্যুৱারী ১৫ (এজেন্সী) :
পেলেষ্টিনিয়ন রেফ্যুজিশিংদা অমেরিকান শেলগী মতেং পীবা হৌবা য়ানবা য়ু এন রিলিফ এন্দ ৱার্কস এজেন্সি (য়ু এন আর দব্লিউ এ) না য়ু এসকী প্রসিদেন্ট ওইরগদবা জো বাইদেনগী ওফিস কন্টেক্ট তৌখ্রে হায়না মকোক থোংবা ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

শগোলশেন নুমিত্তা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা য়ু এন আর দব্লিউ এগী কম্মিস্নার জেনরেল ফিলিপ লাজারিনিনা হায়খি, য়ু এসকী অনৌবা এদমিনিষ্ট্রেসন্না মখাতাবা মরী থম্নবা য়ারগনি হায়না ঐখোয়না থাজে।

জন্যুৱারী ২০ দা অনৌবা এদমিনিষ্ট্রেসন্না থবক হৌরকপগা য়ু এসনা পীবা শেলগী মতেং মথংগী তাঙ্কক মনুংদা মমাংগী ফীভম হঞ্জিনহল্লগনি হায়না এজেন্সি অসিনা থাজবা থল্লি। পেলেষ্টিনিয়ন রেফ্যুজিশিংগীদমক্তা য়ু এন আর দব্লিউ এগী সার্ভিস অমসুং ইমপ্লোয়মেন্ট প্রোগ্রাম খুদিংমক মখা চথরগনি হায়না লাজারিনিনা মখাতানা ফোঙদোকখি।




এজেন্সি অসি শাথিরবা শেল থুমগী ক্রাইসিস অমা মায়োক্লরে হায়না এজেন্সি অসিগী ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবনি। ক্রাইসিস অদু ওফিস থাদোক্লগদবা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা কুমজা ২০১৮ গী অঙনবদা দোল্লর মিল্লিয়ন ৩৫০ ককথনবা ৱারেপ লৈখিবদগীনি।

ককথরিবা শেনফম অসি য়ু এন আর দব্লিউ এগী বজেটকী চাদা ৩০ নি। য়ু এন আর দব্লিউ এনা পেলেষ্টিনিয়ন রেফ্যুজি মিল্লিয়ন ৫.৬ হেনবদা হ্যুমেনিটরিয়ন সর্ভিসশিং ফঙহল্লি। কুমজা ১৯৪৮ অরব ইজরেলি কনফ্লিক্ট হৌখিবা মতুং মথং চহী ১৯৪৯ গী দিসেম্বরদা য়ু এন আর দব্লিউ এ লিংদুনা পেলেষ্টিনিয়ন রেফ্যুজিশিংগী রিলিফ অমসুং থবক্কী প্রোগ্রামশিং পাঙথোকপা হৌখি।

রিলিফ ওপরেসনশিং থাঙ্গৈশেংনা হৌখিবদি কুমজা ১৯৬০ গী মে ১ দগীনি। পেলেষ্টাইন রেফ্যুজি প্রোব্লেমগী সোল্যুসন অমা লৈত্রিবা ওইবনা য়ু এন জেনরেল এসেমব্লিনা য়ু এন আর দব্লিউ এগী মেন্দেট হঞ্জিন হঞ্জিন্না রিন্যু তৌখি। ইনৌ নৌনা শাংদোক্লিবসি কুমজা ২০২৩ গী জুন ৩০ ফাওবনি।

# পাকিস্থান ইন্টরনেস্নেল এয়রলাইন্সকী প্লেন মালেসিয়াদা ফাজিনখ্রে

ইস্লামোবাদ, জন্যুৱারী ১৫ (এজেন্সী) :
এয়রক্রাফট লিজগী পীফম থোকপা শেনফম পীথোক্তবগীদমক্তা মালেসিয়াগী ওথোরিটিশিংনা ইরাই নুমিত্তা কুলা লম্পুর এয়রপোর্টতা পাকিস্থান ইন্টরনেস্নেল এয়রলাইন্সকী প্লেন অমা ফাজিন্দুনা থমখ্রে হায়না মীদিয়া রিপোর্ট অমনা হায়রি।

জিও ন্যুজ রিপোর্টনা সোর্চশিং পল্লদুনা হায় পি আই এগী প্লেন অদু মালেসিয়াগী লোকেল ক্লব অমগী ওর্দরদা ফাজিনখিবনি।

মালেসিয়াদা ফাজিল্লিবা বোইং ৭৭৭ অদু য়াওনা পি আই এনা কুমজা ২০১৫ দা ভিয়েটনামগী কম্পনি অমদগী এয়রক্রাফট অনী লিজ তৌখিবনি। প্লেন ফাজিল্লিবদু পেসেঞ্জরশিং তোংলবা মতুংদনি। এয়রক্রাফট অদুগী ষ্টাফ মেম্বর ১৮ সু কুলা লম্পুরদা পন্দুনা লৈরি। প্রোটোকোলগী মতুং ইন্না মখোয় নুমিৎ ১৪ নি ক্বারান্টিন তৌরগনি।

ত্বিটর পোষ্ট অমদা পাকিষ্টানি ফ্লেগ করিয়র অসিনা হায়, পেসেঞ্জরশিং য়েংশিনবগা লোয়ননা মখোয়গী খোঙচৎ কায়হন্দনবা শিন লাংলি। চৈরকসিদা পাকিস্থানগী স্কুলশিং জান্যুৱারী ১৮ দগী হাংবা হৌরগনি হায়না লৈবাক অসিগী এদ্যুকেসন মিনিষ্টর সাফকট মাহমুদনা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।




জন্যুৱারী ১৮ দা গ্রেট ৯ দগী ১২ ফাওবগী স্কুল কাবা হৌহল্লগা প্রাইমরি ক্লাসশিংনা ফেব্রুৱারী ১ দগী হৌগদবনি। নেস্নেল কম্মান্দর এন্দ ওপরেসন সেন্টর (এন সী ও সী) গী মীফম লোয়রবা মতুংদা মীদিয়াদা ৱা ঙাঙলদুনা মাহমুদনা হায়খি, প্রাইমরি ক্লাসশিং হৌহনবগী ৱারেপ অদু লৈবাক অদুগী হৌজিক লৈরিবা হকশেলগী ফীভম য়েংশিল্লবা মতুংদা লৌবনি।

থা অসিগী ৪ দা এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা তাঙ্কক নাইনা মহৈ তম্বা হৌরগনি হায়না লাউথোকখ্রবনি। পাকিষ্টটানদা কুমজা ২০২০ গী মার্চতা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক হৌরকখিবদগী চহী অদুগী সেপ্তেম্বর ১৫ ফাওবা মহৈকোল খুদিংমক থোঙ লোনখি।

তৌইগুম্বসুং কোরোনা ভাইররস কেস নৌনা অমুক ৱাংখৎলকপদগী পাকিষ্টানগী স্কুল অমদি কোলেজশিং থা অনীমখায় রোম হাংলুরবা মতুং ২০২০ গী নবেম্বর ২৬ তা অমুক হন্না থিংজিনখি। খ্বাইদগী নৌবা ষ্টেটেষ্টিক্সকী মতুং ইন্না পাকিষ্টানগী কনফার্ম তৌবা কোভিদ-১৯ কেস মশীং ৫১৪,৩৩৮ নি অমসুং লায়না অসিনা শিহনবা মী মশীং ১০,৮৬৩ নি। হৌজিক ফাওবদা লায়েংবদা ফখিবা কোভিদ-১৯ পেসিএন্ট পুন্না ৪৬৯,৩০৬ শুখ্রে। পাকিষ্টানগী পেসেঞ্জরশিং চঙলকপদা মতম খরা অথিংবা লৈরগনি হায়না চাইনানা ইরাই নুমিত্তা লাউথোকখ্রে।